# ‘সী এ বি পার্লিয়ামেন্টকী জোইন্ট সিটিংগী প্রসিদেন্সিএল এদ্রেসতা অয়াবা পীথোকখ্রে’

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০২ (ঐচএনএস): পার্লিয়ামেন্টকী জোইন্ট সিটিং হৌখিবা জন্যুৱারী ৩১দা ফমখিবা অদুদা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টনা রাজ্য সভানা খন্নদুনা পাস তৌদ্রিবা বিল অমবু থাগৎতুনা ঙাঙবা হায়বসি ইমপ্রোপৈটিনি, ইথিক্সকী ৱাংমদনি হায়না হান্নগী লো সেক্রেটরি এল ইবোমচানা ফোঙদোরক্লি।

এল ইবোমচানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, পার্লিয়ামেন্টকী ইন্দিপেন্দেন্ট ওইবা তোপ তোপ্পা পৱার এন্দ ফঙ্কসন্দা এনক্রোচ তৌবনি। পেন্দিং বিল অমগী মতাংদা থাগৎতুনা ঙাঙবা হায়বসি হন দক্কী অসিনা ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্টরি দিমোক্রেসিদা অহানবনি। ইন্দিপেন্দেন্ট পার্লিয়ামেন্টরি ইন্সটিট্যুসন অমগী চৎনলোল থুগাইবনি। রাজ্য সভাদা পাস তৌরগা এসেন্ট লৌদ্রবসু প্রসিদেন্ট সেক্রেটরিএটকী ওফিসকী ষ্টাফ অমনা এসেন্ট পীবগী সিল্ড নমশিল্লগা বিল অদু এক্ট ওনবা য়ারগনি হায়রি।

যুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা ইথোল্লগা পুথোরকপা প্রসিদেন্সিএল এদ্রেস অদু মহাক্না পাথোকপা মতমদা বিলগী পোর্সন অদু কাল্লমগদবনি। মসিগী মরালদি স্পিচ অদু এপ্রুভেল পীরিবা যুনিয়ন গভর্ণমেন্টকী কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরনা থৌদাং পুক্ফম থোকই হায়রি।

লোক সভাদা পাস তৌখ্রবা বিল অমা রাজ্য সভাদা পুথোক্ত্রিঙৈদা শেমদোকহৌনবা দিমান্দ তৌবা কাঙবু খরসু য়াওরক্লে। লোক সভানা পাস তৌখ্রবা বিল অদু শেমদোক্কে হায়রবদি রাজ্য সভাদা মরী লৈনবা মিনিষ্টরনা নৎত্রগা রাজ্য সভাগী মেম্বর অমনা হেক্তা এমেন্দমেন্ট পুথোক্কদবনি। এমেন্দমেন্টকী মোসন অদু চ্যেরমেন্না য়ারবা মতুংদা হাওসনা খন্নরগা পাস তৌরবদি লোক সভাদা অমুক হন্না থাগদবনি। লোক সভানা রাজ্য সভাদা তৌরক্লিবা এমেন্দমেন্ট অদু য়াবিরবদি বিল অদু শেমদোক্লগা এমেন্দমেন্টশিং অদু হাপচিল্লগা বিল অদু পাস তৌরে হায়না লৌগনি।

করিগুম্বা হাওস অনীনা য়ানদ্রবদি বিল অদু রিজেক্ট তৌরে হায়না লৌগনি। হাওস অনীগী চয়েৎনবা অসি সেট্টল তৌগে হায়রবদি প্রাইম মিনিষ্টরনা প্রসিদেন্টতা এদভোইস তৌরগা আর্টিকল ১০৮গী মখাদা প্রসিদেন্টনা জোইন্ট সিটিং কৌবা ঙম্মী। হায়রিবা হাওস অনীগী ষ্ট্রেঙথ অসি য়েংলগদি বিল অসি নম্ফুদা পাস তৌখিগদবা মাল্লি হায়না ফোঙদোরক্লি।

অনৌবা ক্লোজ কয়া হাপচিন্দুনা বিল অদু অমুক হন্না পাস তৌরবসু হৌজিক্তি মওং তারোইদবা ফীভমদা লৈরে। মরমদি বিল অদুগী ইনটেন্ট এন্দ পরপোর্ট হায়বদি বিল অদুগী মচং ওইবা শরুক্তি এন দি এনা হেক লৈঙাক পায়রকপা চহী অমা ফাদ্রিঙৈদা কুমজা ২০১৫গী সেপ্টেম্বর ৭তা হোম মিনিষ্ট্রিগী নোটিফিকেসন অমনা *পাসপোর্ট (ইন্ট্রি ইন টু ইন্দিয়া)* রুল ১৯৫০গী রুল ৪, ইন সব রুল (১) অসি শেমদোক্তুনা বিল অসিদা পল্লিবা ফোরেন কন্ট্রি অহুমগী রিলিজস কম্যুনিতি তরুক্তা রিলেক্সেসন কয়া পীদুনা লাইনীং লাইশোনগী মীংদা, ওৎ নৈবগী মীংদা ভেলিদ দোক্যুমেন্ট পায়দনা এক্সপ্যার দোক্যুমেন্ট পায়বসু ইন্দিয়াদা চঙলক্তুনা সেট্টল তৌবা কুমজা ২০১৪গী দিসেম্বর ৩১গী মমাঙ অমসুং মসিগী নুমিৎ ফাওবদা চঙলকখ্রবশিংবু অয়াবা পীথোক্লুল্লে। মসিগা চপ মান্নবা মওংদা দি ফোরেন্নর ওর্দরস ১৯৪৮গী পেরা থ্রীগী মখাদা একজেম্পসন কয়া মথক্তা পনখিবা কম্যুনিটিশিং অসিদা পীথোক্লুল্লে হায়রি।

করম্বা রেসনেল অমসুং বেকগ্রাউন্দদা হয়রিবা কট-ওফ-দেট অসি অর্বিটরেরিলেপ্লিবনো হায়বদু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা হৌজিক ফাওবা মীয়ামদা এক্সপ্লেন তৌদ্রি। মসি যুনিয়ন গভর্ণমেন্টতা দেলিগেট তৌবা লৈতে। এক্সেসিব দেলিগেসননি, ইলিগেল ওইবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

সিটিজনশিপ এক্ট ১৯৫৫কী সেক্সন ৬ এ (৩) গী মখাদা অসাম একোর্দকী মতুং ইন্না কট ওফ দেট হাপ্লিবা অসিগুম্বা মথক্তা পল্লিবা কট ওফ দেট (দিসেম্বর ৩১, ২০১৪) অসিসু এক্ট অদু শেমদোক্লগা হাপচিনগদবনি হায়রি।

হোম মিনিষ্ট্রিগী নোটিফিকেসন নম্বর জি. এস. আর. ১১৬৮ (ঈ) দেটেদ দিসেম্বর ২৩, ২০১৬ (দব্লিয়ু ঈ এফ ২৩-১২-২০১৬) না বিল অদু লোক সভাদা কুমজা ২০১৬কী জুলাই ১৫দা পুথোক্লবা মতুংদা দি সিটিজনশিপ রুল ২০০৯গী রুল ১১ অমসুং রুল ৩৮গী মখাদা প্রোভিজন অনী হাপচিন্দুনা বিল অসিদা পল্লিবা লৈবাক অহুমগী কম্যুনিতি ৬কীদমক্তদি সিটিজনশিপ পীনবা এপ্লিকেসন থাবা মতমদা লায়থোকপা মওংদা ইন্দিয়াগী সিটিজন ওইহন্ননবা রিলেক্সেসন কয়া তৌরল্লে। মসিনা তাকপদি হায়রিবা মাইনোরিটি কম্যুনিটি ৬ অসিগীদমক্তদি বিল অসি পাস তৌদ্রিঙৈদা অরাইবা মওংদা ইন্দিয়ন সিটিজন ওনবা য়ানবা থৌরাং তৌদুনা থম্বীরল্লে। হৌজিক্তি বিল অসিনা উপায় ওইরগা মাইনোরিটি কম্যুনিটি ৬ অদু মতোন য়ৌনা পুখৎলগা সিটিজনশিপ ওলহনগদবদা মঙাইরে হায়রি।

মথক্তা শেমদোক্লিবা রুলশিং অমদি ফোরেন্নর ওর্দর শেমদোক্লিবা অসি ইন্দিয়াগী মফম পুন্নমক্তা এক্সপ্লেন তৌদুনা ইমপ্লিমেন্ট তৌবা হৌহল্লল্লে। মসিনা মরম ওইদুনা হৌজিক বিল অসিদা ক্লোজ কয়া হাপতুনসু মওং তাগদবা লৈত্রে হায়রি।

মীয়াম পূন্না তান্নমিন্নগদবা বিল অদু ৱিথদ্রো তৌরগা ইনৌ নৌনা বিল অমা পুথোকপা নৎত্রগা রাজ্য সভানা বিল অদু সেলেক্ট কম্মিটিদা অমুক হন্না রিফর বেক তৌরগা অশোয়বশিং অসি ষ্টেকহোল্ডর পুন্নমক্কী ওপিনিয়ন লৌরগা অনৌবা বিল অমা পুথোক্লগা বিল অমা শেম্বা নৎত্রগনা অশোয়বসি চুমথোক্লগা মরী লৈনবা মিনিষ্টরনা রাজ্য সভাদা বিল অদুদা এমেন্দমেন্ট কয়া হাপচিল্লগা পাস তৌহনবা নত্তনা অতোপ্পা উপাই লৈত্রে হায়রি।

## হকশেলগী পাউজেল

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০২ (ঐচএনএস): দি দি কে ইম্ফালগী *হকশেলগী পাউজেলদা* থা অসিগী ৪গী নুংথিল পুং ৫.৩০দগী ৬.৩০ ফাওবদা এপ্লাষ্টেক এনেমিয়া হায়বা অসিদা ডো. ইরোম অনিল হেমাটোওনকোলোজিষ্ট জেনিমস, থা অসিগী ১১দা পেরিফেরেল ভাস্কুলর দিজিজ এন্দ বেরিকোজ ভেন হায়বা অসিদা ডো. থাংজম গৌতম কন্সলটেন্ট ইনটরভেন্সেল রেদিওলোজিষ্ট সিজ হোস্পিটাল, থা অসিগী ১৮দা য়াগী অনাবশিং হায়বা অসিদা ডো. সিনাম সুভাসচন্দ্র এসোসিএট প্রোফেসর দেন্টেল কোলেজ রিমস অমসুং থা অসিগী ২৫গী নুংথিল পুং ৫.৩০দগী ৬.৩০ ফাওবদা ডো. এন শসিকুমার চেষ্ট স্পেসিএলিষ্ট দিপার্টমেন্ট ওফ রেসপিরেটরি মেদিসিন জেনিমসনা এজমা হায়বসিদা এক্সপার্টশিং ওইদুনা ৱা ঙাঙগনি হায়রি।

## হোজাইগী ৱারী লীবা মনি লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০২ (ঐচএনএস): অসামগী ব্রহ্মপুত্র ভেল্লিগী অমত্তা ঙাইরবা ৱারী লীবগী গুরু ওজা কোন্থৌজম নিলমনি এলাইজ মনিনা হৌখিবা জন্যুৱারী ২৫দা হোজাই দিষ্ট্রিক্তকী গৌরনগরদা লৈবা মশাগী য়ুমদা লৈখিদবদা রিপরটরি ওফ ৱারী লীবা মণিপুরনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

বাংলাদেশকী বিসগাওদা পোকখিবা অমসুং হৌজিক্লা হোজাই গৌরনগরদা লৈখিদ্রবা চহী ৮৫ শুরবা ওজা অসিনা হিংলিঙৈদা ব্রহ্মপুত্র তম্পাক্তা ৱারী লীবা আর্টঅসিবু চাওখৎনবা হোৎনদুনা মহাক্কী মখাদা মীওই কয়ামরুম ৱারী লীবা তম্বীরম্বা অমত্তা ঙাইরবা গুরুনি হায়রি।

# ‘সী এ বি ২০১৬ রাজ্য সভাদা পুথোক্লরোই হায়রিবসি নমথাকনি’

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০২ (ঐচএনএস): রাজ্য সভাগী এজেন্দা লিষ্টতগী সী এ বি ২০১৬ অসি লৌথোকখ্রে খন্নররোই হায়রিবা অসি কদাই ফাওবা অচুম্বনো হায়বগী চপ চাবা ওফিসল ওইবা সোর্স অমত্তা লৈত্রি হায়না এস এস য়ু এমগী সেক্রেটরি জেনরেল ভুশন লোংজম, এ এম এম এস ওগী জেনরেল সেক্রেটরি জাবেদ অহম্মদ, এ এম পি এস য়ু এমগী জেনরেল সেক্রেটরি জয়েদ খান, এম দি ইলিয়াস খান, আর এস এফকী ওর্গেনাইজেসন সেক্রেটরি অমসুং এম এস এ দিগী ভি পি মককময়ূম ফরকান সরিফনা পূন্না খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, চুম্নগী গুৱাহাটিদা ফোঙবা পাউচে অমনা কোট তৌরকপনি। মরু ওইবা নেসনল মিদিয়াশিংদসু মসিগী পাউ অসি থেংনদে। তৌইগুম্বসুং য়েলহৌমী মুখৎনবা শীল্লিবা সী এ বি ২০১৬ অসিদি লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ৭ নৎত্রগা ৮দা শোয়দনা পুথোক্লগনি হায়না থাজনরি।

মীয়ামসু খন্দুনা য়েংবীয়ু। সেসন হৌদোকপা নুমিৎতা প্রসিদেন্টনা পীখিবা বিল অসিবু পাস তৌগনি হায়বগী ৱারোলশিং লোয়ননা বিল অসিবু ফাইনেল এসেন্ট পীগদৌরিবা প্রসিদেন্ট মশাননি। মহাক্কী ৱারোল অদু বিল অসিবু সপোর্ট তৌদুনা প্রিএসেন্ট পীবগুম্বনি। মতাং অসিদা বিল অসিবু পার্লিয়ামেন্টতা পুথোক্লরোই হায়রিবা অসি কদাই ফাওবা থাজগদৌরিবনো হায়নসু হংলক্লি।

থৌওং অসি মীয়াম্বু হেন্না নমথাক তৌবনি হায়না লৌই। পাউ অসিদা সী এ বি ২০১৬ অসি মপূং ফানা ৱিথদ্রো তৌগনি হায়বসু পনদ্রি হায়রি।

মরম অদুনা ঐখোয় তুমিন্না পংথদুনা লৈরোইসি। ঐখোয় মীৎকুপ নাহুম শিংনা লৈসি। বিল অসি পুথোক্কদবা চপ চাবা নুমিৎ অসি হেক খঙবগা মীয়ামদা লাউথোকচরক্কে। মীয়াম শেম শাদুনা লৈমিন্নসি হায়না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## লিগেল এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০২ (ঐচ এন এস): কৈরক মখা লৈকায় কম্যুনিতি হোলদা হৌখিবা জন্যুৱারী ২৪দা নোংমগী ওইবা লিগেল এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা এস ইমোচা জজ ফেমিলি কোর্ট থৌবালনা চীফ গেষ্ট, এলাংবম শান্তি প্রধান কৈরক জি পিনা প্রসিদেন্ট অমসুং য়ুম্নাম রতন উপ প্রধান কৈরক জি পিনা মথংশিংনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

বি সুপ্রিয়া ফোর্মর জেনরেল সেক্রেটরি অম্বানা ক্রাইম এগেনষ্ট ৱিমেন, বি প্রেম শর্ম্মা এদভোকেট হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা এন এ এল এস এ (ইফেক্টিভ ইমপ্লিমেন্টেসন ওফ পোভর্টি ইলিভেসন স্কিম ২০১৫কী মরমদা রিছোর্স পার্সনশিং ওইনা ৱা ঙাঙখি। মতুংদা ফেমিলি কোর্ট থৌবালগী জজ এস ইমোচা অমসুং রিছোর্স পার্সনশিং য়াওনা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখি হায়না দিষ্ট্রিক্ত পানা শগোল কাংজে এসোসিএসন কৈরক, থৌবাল দিষ্ট্রিক্তকী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।


### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM

*Ref:- Mut. Case No. 91/SDC/Oinam of 2019*

1. Thoudam Jhalajit Meitei S/O (L) Th. Shamu Singh of Keinou Thongthak Mongkhang Leikai. (0.14 acre)
2. –do– Dilip Meitei S/O –do– of –do–. (0.08 acre)

...... *Applicants*

-Vrs-

(L) Ahongshangbam (O) Ibemhal Devi W/O Bikram Singh of Keinou.

...... *O.P. Pattadar*

**ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE**

Oinam, the 2nd February, 2019

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৩২-কৈনৌগী পাট্টা নং ৫২০ (অনৌবা) দাগ নং ৫৯৪, এরিয়া একর ০.২২ চাওবা ইশ্বোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারি অনীনা মৃ: পাট্টাদারগী মমীং কল্লগা মাগী মাগী শরুক নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারল্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথখ্রগনি।

*Sd/-* **S. Budhichandra Singh**
***Sub-Deputy Collector, Oinam***

*HL-P/3404/3*

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM

*Ref:- Mut. Case No. 92/SDC/Oinam of 2019*

1. Soraisam Gunin Singh S/O (L) Gulamjat Singh of Keinou Thongkha Mamang Leikai. (0.165 acre)
2. –do– Lukhoi Singh S/O –do– of –do–. (0.055 acre)
3. –do– Dorendro Singh S/O Lukhoi Singh of –do–. (0.055 acre)
4. –do– Keshojit Singh S/O –do– of –do–. (0.055 acre)

...... *Applicants*

-Vrs-

(L) Soraisam Gulamjat Singh S/O (L) Madan Singh of Keinou.

...... *O.P. Pattadar*

**ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE**

Oinam, the 2nd February, 2019

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৩২-কৈনৌগী পাট্টা নং ৭০৮ (অনৌবা) দাগ নং ২১৭২, এরিয়া একর ০.৩৩ চাওবা ইশ্বোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারি মরিনা মৃ: পাট্টাদারগী মমীং কল্লগা মাগী মাগী শরুক মমীংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারল্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথখ্রগনি।

*Sd/-* **S. Budhichandra Singh**
***Sub-Deputy Collector, Oinam***

*HL-P/3404/3*

### ꯁꯦꯍꯨꯝ/DRIVER WANTED

***(NO SECURITY DEPOSIT)***

***RUHINI KIDS GARDEN ACADEMY***

Singjamei Chingamathak

**SALARY :** Rs. 4000/- to Rs. 7000/- (Negotiable) (depending on duty hours)

➢ **2nd Saturday/Sunday Holidays**

**ELIGIBILITY :** 1. Below 40 yrs.
2. Candidates with valid driving licence

**DOCUMENTS REQUIRED :** Aadhaar/last exam passed certificates

**LAST DATE :** 2nd Feb., 2019

**DUTY STARTING ON :** 7th Feb., 2019

***For Details Contact :*** 8974906776/8119994818/ 8731932939 (Timings 9:30 a.m. - 4 p.m.
SINGJAMEI CHINGAMATHAK (OPP. GOLD GYM)

HL-P/3372/31st Feb& 3rd Feb.

### CAS FOUNDATION


An Institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi

**ADMISSION OPEN**

**FOUNDATION COURSE**

**CLASS XII & X**

**SPECIAL FEATURES:**
1. Chapterwise/Unitwise authentic study materials
2. Exam. orcinted test series for final exam
3. Probable questions and answers for 2020 exam.
4. Special Fee concession for CASIANS
5. Vision for toppers for 2020 final exam.



8th Position LANCHENBA OINAM HSLC Exam.2018: 94% (Man.E.M.Sc.S.Sc.Hin)
19th Position DEEPAK OINAM HSLC Exam.2018: 92% (Man.E.M.Sc.S.Sc.Hin)
ROHIT KHUMUKCHAM HSLC Exam.2018: 75.8% (Man. M. Sc.)
MAIBAM STEPHEN HSLC Exam.2018: 74.5% (Man. M)
LUNGINMANG HAOKIP HSLC Exam.2018: 72.6% (MIL, E)

**Classes for Foundatin Course starts from 4th Feb 2019**

**Seats are limited First come First Served**

**Facility of:- # Morning Batch # Evening Batch**

**For Details Contact: CAS office, Keishampat Junction Imphal**

HL-B/5863/22/1-21/2(Alt.)

### RUHINI KIDS GARDEN ACADEMY

ꯔꯨꯍꯤꯅꯤ (Specialist in child training)

**A COMPLETE PLATFORM FOR CHILD UPTO 6 YRS**

ADMISSION CLOSES SOON

➢ **KIDS, BABY UPTO KG, CLASSES**
➢ **SPECIAL DISCOUNT FOR BABY/PRE-NURSERY CLASSES**

**FACILITIESS :**
1. Well equipped, dust free play ground
2. Trained D.E.L.ED teacher
3. Special Coaching classes
4. Day - boarding

**ADVANTAGES :**
1. Individual attention
2. 25-30 students per class
3. Van facilities
4. Interactions with teachers

**R.K.G. IS WELL KNOWN IN SERVICE EXCELLENCE**

| | | |
|---|---|---|
| *School Hour* | : | 9:45 a.m. - 12:45 p.m. (Normal) |
| *Coaching* | : | 1 p.m. - 2:15 p.m. |
| *Day Boarding* | : | Upto 4:30 p.m. |

**DO NOT MISS OUT TO ENROLL YOUR CHILD**

**LASTE DATE : 5th Feb., 2019**

**DETAILS : SINGJAMEI CHINGAMATHAK (OPP. GOLD GYM.)**
# 8974906776/8119994818/8731932939 (9:30 a.m.- 4 p.m.)

HL-P/3372/31st Feb& 3rd Feb.

### J.N. INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES POROMPAT, IMPHAL

**NOTIFICATION**

Imphal, the 30th January, 2019

No. JIMS/TS-1/4/08 (Pt.III):/ 1246 In pursuance to this Institute's Notification of even number dated 28.09.2018, schedule for personal interview/viva-voce for appointment of Senior Resident on tenure basis in the following Department is detailed as below: -

| Sl. No. | Name of Department/Subject | Date of Personal interview | Time | Venue of Personal Interview |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Anesthesiology | 07/02/2019 | 11:00 a.m. | A-Block, JNIMS |
| 2. | Surgery | | | |
| 3. | Surgery (Neurosurgery) | | | |
| 4. | Surgery (Urology) | | | |
| 5. | Medicine( Endocrinology) | | | |
| 6. | Medicine (Gastroenterology) | | | |
| 7. | Medicine (Nephrology) | | | |

2. The applicants should bring all the documents in original submitted to this Institute at the time of form submission for verification.

3. Further, the list of applicants who had applied for the above mentioned post may be seen at the Notice Board.

Sd/-
Prof. Th. Bhimo Singh
**Director, J.N. Institute of Medical Sciences**

HL-B/5170/3

### SMART TUTORIAL CENTRE

SINGJAMEI SUPER MARKET RADHESHYAM SHOPPING COMPLEX, IMPHAL- 795008

TOPPERS OF THE S.T.C IN HSLCE 2016-2018



2nd POSITION PATEL LAIRENJAM
11th POSITION DHANAPIYARI
14th POSITION NARESHKUMAR NAOREM
15th POSITION BIDYASAGAR
23rd POSITION HUIDROM HELEN

**ADMISSION OPEN**

FOUNDATION COURSE CLASS VI,VII,VIII,IX & X

START ON 28th JANUARY 2019

Sub:Maths,Sc,S.S,MM,Eng,C/Sc,H/Sc,H/Maths & Add Eng.

BATCHES : Morning & Evening

Facilities : Van Service & Hostel ( Separated - Boys & Girls) Contact No. 8730999192

**MEGA TEST- 2019**

| TIME TABLE | Exam. Timing 9am to12am |
|---|---|
| Date | Subject |
| 22-01-2019 | ENGLISH |
| 24-01-2019 | SCIENCE |
| 27-01-2019 | MEITEI MAYEK |
| 29-01-2019 | MATHEMATICS |
| 31-01-2019 | SOCIAL SCIENCE |
| 02-01-2019 | H/MATHS, H/Sc, Com/Sc |

Those who are willing to appear this Exam should get registered

For Detail :Visit Smart Tutorial

HL-P/5863/20/12-18/2(Alt.)

### PIS Brick Field (Mechanised)

(From time to time rate changeable)

BRICKSAMPLE PIS

| Class | Rate | Bricks | Amount | Gari Charge | Labour | Total |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1st | Rs. 12.50 | 2000 | Rs. 25000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 27600 |
| 1st | Rs. 12.50 | 1500 | Rs. 18750 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 20750 |
| 2nd | Rs. 12.00 | 2000 | Rs. 24000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 26600 |
| 2nd | Rs. 12.00 | 1500 | Rs. 18000 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 20000 |
| 1st Rej. | Rs. 11.50 | 2000 | Rs. 23000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 25600 |
| 1st Rej. | Rs. 11.50 | 1500 | Rs. 17250 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 19250 |
| Peti | Rs. 11.50 | 2000 | Rs. 23000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 25600 |
| Peti | Rs. 11.50 | 1500 | Rs. 17250 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 19250 |
| 3rd | Rs. 7.50 | 2000 | Rs. 15000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 17600 |
| 3rd | Rs. 7.50 | 1500 | Rs. 11250 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 13250 |

**Contact: 9862048579, 8787464898, 7085684539** (Sunday closed & Phone switch off)
Wangjing Saban Chekon Leikai, Near Khongjom War Memorial Complex.

HL-P/2737/13/12-17/2(Alt.)

### Heritage Convent

Uripok Bachaspati Leikai & Naoremthong Khulem Leikai, Imphal

Dear Parents / Guardians
Kindly collect I-card, Bags, School Diary, Fee Slips and Calender from the school office (campus no. 2) at Naoremthong Khulem Leikai, Imphal on the day, date and time mentioned below.

| Day | Date | Standard | Time |
|---|---|---|---|
| Thursday | 07-02-19 | I, II, III | 9.00 a.m. to 12.00 noon |
| | | VII,VIII, IX, X | 12.30 p.m. to 3.30 p.m. |
| Friday | 08-02-19 | Prep, Nur., K.G. | 9.00 a.m. to 12.00 noon |
| | | IV, V, VI | 12.30 p.m. to 3.30 p.m. |

*Kindly note :*
1. Kindly bring the Registration Card while coming to collect the above items.
2. Students without I-Card will not be allowed to enter the school campus when the school reopens.

*– The Management*

### Heritage Convent

Uripok Bachaspati Leikai & Naoremthong Khulem Leikai, Imphal

*Dear Parents/Guardians*
*The School will reopen on the following Day, Date and Time.*

*Reporting time for the first day*
Prep./Nur./K.G./I - 10.00 a.m.
II to VI - 8.00 a.m.
VII to X - 9.00 a.m.

SCHOOL TIMING:
Prep./Nur./K.G/I. - 10 a.m. to 2.00 p.m.
II to VI - 8.00 a.m. to 1.00 p.m.
VII to X - 9.00 a.m. to 3.00 p.m.

| Sl. No. | Standard | Date | Day |
|---|---|---|---|
| 1 | Prep., Nur. & K.G., I (Campus no.1) Uripok Bachaspati Leikai | 11-02-19 | Monday |
| 2 | II to VI (Campus No. 2) Naoremthong Khulem Leikai | 12-02-19 | Tuesday |
| 3 | VII to X (Campus No. 1) Uripok Bachaspati Leikai | 13-02-19 | Wednesday |

***• Kindly note :***
(1) Classes for standard II to VI will be held at Campus No. 2, Naoremthong Khulem Leikai while Prep./Nursery/K.G./I and from standard VII to X will be held at Campus No. 1, Uripok Bachaspati Leikai.
(2) Students without I-Card will not be allowed to enter the school premises.
Thank you for your kind cooperation.

***– The Management***

HL-P/3374/3&5